# ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**

ঐখোয়গী লমদমসিদদি চাক্লা মরুওইনা চান্নবনা ফৌসি মফম খুদিংমক্তা থানরি। হৌজিক্কী মতমদদি ফৌ থাবা মতমদা হার হাপ্পনা মমাঙ থানা চৎলি। মরমদি ষম্থি-ষণয়ুংসি মরাং কায়না ফংদবনা ষম্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতোপ্পা ওক, হামেঙ, ঙানু, য়েন অসিনচিংবগী মথি-ময়ুংসু হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমসি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা মতমনি। মরম অসিনা শা-ষণ, য়েন, ঙানু ময়ামসি য়োক্তুনা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা মথি-ময়ুং ময়ামসি শীজিন্নদুনা ফৌ হেন্না পুথোক্লুবা হোৎনবা অমদি ফৌদা তাবা তীল-কাঙ ময়াম অসিসু ঙানুগা ফৌগা পূন্না য়োকমিন্নরগা ঙানুগী মচিঞ্জাক ওইদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ফার্মিং সিষ্টম অমা ওন্থোকপা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নদুনা অনীমক্তা কান্নহন্দুনা অমগা অমগা কান্নরবা মরী লৈনহন্দুনা হেন্না পোত্থোক পুথোকহল্লি। অসিগুম্লবা ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসি চহী ৫০০ গী মমাঙদগী জপান্দগী হৌরকই। ঙানুগা ফৌগা পূন্না থমিন্নবা মতমদদি পামফেন্দগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পামফেন তৌবসিনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চৎথোক চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লীংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থাগদৌরিবা ফৌদুগী লৌরি নীংথিনা শেন্বীগনি অমদি লৈতেম মান্ননা শেমদ্রিঙৈদা হঞ্জিন হঞ্জিন খোইদোকপীগনি। মসিগী মতুংদা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা ষম্থি মরাং কায়না লৈবা মফম ওইরগদি লৌফম হেক্টর অমদা ষম্থি নৎত্রগা কম্পোষ্টসি টোন মঙাদগী তাদনা হাপ্পীগনি। ফৌ লীংবা মতমদসু ফৌ পান্বী অমগা অমগগী মরক্তা খরা লাউনা থন্বীগনি। য়ামদ্রবদা লীংবা মতমদা ২০ cm x ২০ cm গী চাংদা লীংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ





নেৎশিনবগী চাং য়াম্না নেমহল্লি। ফৌ লীংবগী অতোপ্পা মওং অমনা ‘লীগোৱো রো প্লান্টিং সিষ্টম’ হায়না খঙনবসিনা ফৌ লীংবা মতমদা সী এম ২৫x১০x৫০ হায়রিবা মওংসি মখাদা থমজরি।

```
+ +          + +                + +
+ +          + +                + +
+ +          + +                + +
+ +          + +                + +
+ +          + +                + +
+ +   → ↓ ←  + +   ←——→  ১০ সী এম  + +
    ৫০ সী এম     ২৫ সী এম
```

ফৌ লীংখ্রবা নুমিৎ ৩০-৩৫ গী মতুংদগী ঙানু মচা নুমিৎ ২০ দগী থা ফারবশিং ফৌরক্তা থন্বীবা য়ারে। ঙানুশিংসি মফম অমদগী খরা, অমদগী খরা লৌরগা ফৌরক্তা থাদবিরগদি ঙানুশিংদা লায়না চেল্লকপগী চাং ৱাংই। মরমদি মফম অমদগী লৈরুরিবসি লায়না লায়ওং খঙদ্রিঙৈদা পূন্না থম্মীন্নরগদি লায়না অমগা অমগা লৌনরকপগী চাং ৱাংই। মরম অসিনা ওনবদা ঙায়রিবা ঙানুশিং পূন্না মফম অমদগী লৌবিরগা মৈ থান্দুনা অমদি মচিঞ্জাক নীংথিনা পীজবিদুনা লু-নান্না থন্বীরগা য়োকপীগনি। ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নগদবা মফমদু কোয়না খাজিনবীগনি। ঙানুশিং ফৌরক্তা অহানবা পুথবা মতমদা নুমিৎচুপ্পা ফৌরক্তা থন্বীরোইদবনি। হাপ্তা অনীমুক্তি মতম খরা খরা থন্বীরগা পুখৎপীরক্কনি। হায়বদি অহানবা পুং অনীরোম থন্বীরবা তুংদা পুখৎপীরগা মসিগী মতুংদা অসুম অসুম মতমসি হেনগৎপীদুনা ফৌরক্তা থন্বীগনি। ফৌরক্তা ঙানু থন্বা মতমদা ঈশিং তুংহল্লগা থন্বীগনি।

লৌফম হেক্টর অমদা ঙানু ১০০ থন্বীরগদি নাপী হৌবগী চাং য়াম্না হন্থে অদুবু মসিগী হেক্টর অমগী লৌফমসিদা ঙানু মশীং হেনগৎলগদি অতোপ্পা তীল তাবগী চাং য়াম্না নেম্মী। লৈবাক লৈহাও হেনগৎহল্লি। ঙানুশিং অয়ূক্কী লৌফমদা থাদরমদাই অমদি নুমিদাং হোইজিনলমদাইদা তোঙান্না মচিঞ্জাক খরা পীজবীগনি। ফৌনা লঙচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংসি ফৌরক্তগা চাবদগী তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থন্বীদুনা মখা তানা লোইবীবা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা নাপী হৌবগী চাংসি চাদা ৯৫ গী চাংদা হন্থে অমদি তীল তাবগী চাংনা চাদা ৯০ গী চাংদা হন্থে। চুক অমদা মচা মশীং য়ামদ্রবদা ১১ হৌই, চরোঙ অমদা পানবা গ্রেনগী মশীং এভরেজদা ১৫০ নি। পুনশিন লৌউসিদা ফংলিবসি বেনিফিট কোস রেসিওসি ২.৩৩:১ নি অদুগা অমরোমদনা ফৌখক্তনা ফংলিবা রেসিওসিনা ২.১২:১ নি।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোইমিন্নবগী কান্নবশিং ঃ

- পান্দোং অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্তা লুমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।
- ফৌরক্তা লৈবা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোকহল্লি। শম্না চহী মরি মঙাসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী হোপরশিং (লান্না ৱাহিক হায়নসু খঙনবা) ফাদোক্তুনা তীলশিং তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা চৎপদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়হন্দুনা ফৌ পান্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি।
- ঙানু মথিনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙমহল্লি।
- ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপা মতমদা লৈবাক্তা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবদা অচৌবা মতেং পাঙই অমদি ফত্তবা গ্যাসশিং ফমজিন্দুনা লৈহন্দে।
- ঙানুগী মচিন্না হন-হন্দুনা চাবদা লৈবাকশিংদু হোম হোম লাউহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুট্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থন্বা ঙমহল্লি।
- ঙানুসু ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং অফংবা মখল কয়াগী মচিঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি অহেনবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাং হন্থহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসিনা ইনকম হেন্না লাকহল্লি। ফৌ থাবদা চঙগদবা শেঞ্জং হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌথোক হেনগৎহল্লি। মসিগী মথক্তা ঙানুদগীসু অহেনবা শেন্দোং লাকহল্লি।
- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবনিনা ইন্সেক্টিসাইদ, কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী চঙগদবা চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না পূনশিন লৌউসিনা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবতা নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফবা চিঞ্জাক পুথোক্লুবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙবা ঙমহল্লি। ●

# মপান লমদগী উকাবী মচা পুশিল্লকপগী মহুত্তা মরূম কোকহন্দুনা মচা পুথোকমিন্নসি

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

উকাবী মচা অসি মপান লমদগী পুশিল্লক্তুনা য়োক্লুবা হৌরক্লি। তৌইগুম্বসুং মপান লমদগী পুশিল্লক্লিবা উকাবী মচা অসি ঐখোয়গী লমদমসিদা ফংলিবা উকাবী অসিগা খরা খেন্নে অমদি মহাওসু ৱাৎলি। উকাবী মরূম কোকহনবা অমদি মচা পুথোকপনচিংবা থৌওংশিং অসি য়াম্না লায়না পাঙথোকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মতম খরগী মমাঙদদি উকাবী মচা লৈবীনবা অমদি য়োকপীনবা লৈতবা মরম্না উকাবী মচা পুথোকপা অমদি য়োকপদা মায় ওনশিন্নরমদবনি। হৌজিক্তি বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি হায়বা টেক্নোলোজি অসিসু ময়াম্না য়াম্না পাম্মনা পায়খৎনরকপা অমদি উকাবী অসি টেক্নোলোজি অসিদা য়াম্না চান্নবা মরম্না উকাবী মচা পুথোকপগী তঙাইফদবা কয়া লৈরক্লি। হৌজিক-হৌজিক মালেমগী ওইনা লৈরিবা কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবা অসিনা মপান লমদগী উকাবী মচা পুশিল্লকপগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি। মতাং অসিদা উকাবী মচা পুথোক্লবদি লৈবাক্কী ওইনা অচৌবা কান্নবা ওইগনি।


উকাবী হায়রিবা ঙা মখল অসি মশা য়াম্না কনবা অমদি নুংশিৎতগীসু শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙা মখল অমনি। ফাগৎলবা মতুংদসু মতম শাংনা হিংদুনা লৈবা অমদি য়াম্না হাওবা মরম্না মীওই অয়াম্বনা পাম্নবা ঙা মখল অমসু ওইরি, মমলসু য়াম্না তাঙনা য়োনবা য়াই হায়বদি ময়াম্না য়োক্লরিবা রৌ, কটলা অমদি ম্রিগলনচিংবা ঙাশিংদগী মমল হেন্না তাঙই। তৌইগুম্বসুং মশা শোনবা মীওই অমদি অনাবা মীওইশিংনা চাবদা য়াম্না ফবা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙা মখল অসি ঈশিং মখল অয়াম্বদা লৈবা হৈনৈ হায়বদি পাৎ, তুরেল, লৌবুক, খোংবালনচিংবদা লৈবা হৈনৈ।

উকাবী হায়রিবা ঙা মখল অসি য়াম্না পিকপা পান্বীদগী অচৌবা তীল-কাং ফাওবা চাই। উকাবী মচা ওল্লকপদগী মচিঞ্জাক চাবা হৌরকপদা য়াম্না পিকপা জীবশিং চাই। নুমিৎ তরামঙানিরোম শুরকপদগী খরা চাওখৎপা তীল মকুপ অমদি অপিকপা পান্বী মকুপ চাই। খরা চাওখৎলকপদগীদি কাং মচাগুম্বা তীল চাবা হৌরকই। অদুগা মপূং মরৈ ফারক্লবা মতমদদি তীলনা মরুওইবা মচিঞ্জাক ওইরকই।

উকাবী অসি থা তরুক শুরকপদা মপূং মরৈ ফারক্তুনা চাওরাক্লা সেন্টিমিটর নিপালরোম শাংই অমদি গ্রাম নিপালরোম লুমই অমদি মরূম কোকপা হৌরকই। মরূম কোকপদি এপ্রিল থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবা কোকই। মরুওইনা নোংজু পম্থাদা কোকই। নোং চুবা মতমদা মরূম কোকনবগী খুদোংচাগদবা মফম থিবদা মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চৎলি। মরম অদুনা পুখ্রিদা য়োকপদা চৎথোকখিবগী খুদোংচাদবা কয়া থেংনৈ। মরম অদুনা উকাবী য়োকপীগে হায়রবদি সিমেন্টেৎ পুখ্রি নৎত্রগা লৈরাই য়াম্না ঙম্না শেন্বীগদবনি নৎত্রগনা ৱানা ফকলোং শেন্বীদুনা পুখ্রিগী মপালদু খাবিগদবনি। ফকলোং খাবা মতমদা ফকলোং অদু পুখ্রিগী ঈশিংলোমদা পৈথহনবীগদবনি। মরমদি উকাবীনা ফকলোং মথক্তা কাননবা হোৎনরক্লবসু পুখ্রিদা অমুক তাশিনফিখনবনি।

মতম খরগী মমাঙদদি উকাবী য়োকপা হায়বসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদগী উকাবী মচা ফাদুনা য়োকপা তারমই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি হীদাক শীজিন্নদুনা উকাবী মরূম য়াম্না লায়না কোকহনবা য়ারে। অদুগীসু মথক্তা উকাবী মরূম কোকহনবা অসি প্লাষ্টিক্কী খুদেং নৎত্রগা ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা বালটিনগুম্বা পাত্রা অমদা হেক্তা কোকহনবা য়াই। উকাবী মরূম





কোকহন্নবগীদমক্তদি অহানবদা মপূং মরৈ ফারবা লাবা অমদি অমোম খনদোকপীগনি। মচা লৌবা য়ারবা অমোমগী মবুক্তা তপ্লা মেৎপা মতমদা মরূম থোক্লকফম মখুনদা মরূম খরা থোক্লকনি। করিগুম্বা লাবা ওইরবদি অঙৌবা মচুগী মহী থোক্লক্কনি। অসুম্না খন্দোল্লবা ঙাশিংদা হীদাক হায়বদি খূৎশেম্না শেম্বা হোর্মোন কাপ্পীগনি। কাপকদবা হীদাক্কী চাংদি লাবা-অমোম খেন্নবা, অঙ্গং-অশা খেন্নবা, ঙা অদু কয়াম য়াম্না মপূং মরৈ ফারবগে হায়বগী মতুংইন্না খেন্নগনি। তৌইগুম্বসুং চাওরাক্লা মিলিগ্রাম অনী ঙা কিলোগ্রাম অমদা শীজিন্নবীগদবনি। হীদাক কাপ্পা মতমদা ঙা অমোমদা কাপ্পা হীদাক্কী চাংদুগী তঙ্খাই অমখক্তমক ঙা লাবদা কাপ্পীগদবনি। হীদাক কাপ্লবা মতুংদা অমোম অমগা লাবা অনীগা পূন্না পাত্র অমদা থন্বীগদবনি। অসুম্না ঙা মশীংগী মতুংইন্না পাত্র মচা মচা ময়াম শীজিন্নবীবা য়াই।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি হীদাক কাপ্পা মতমদা অপিকপা য়েৎতুম খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্সুলিন কাপ্পগী য়েৎতুম্না কাপ্পীবনা হেন্না ফৈ অমদি খ্বাইদগী লায়বা হীদাক কাপ্পগী মওংদি ঙাগী মমৈথংদা শরুক্তা মথক থংবা শরুক্তা মকু অমা খজিক্তং হাইগৎলগা য়েৎতুমনা দিগ্রি নিফুমঙাগী এঙ্গলদা ঙাগী মমৈ থংবা শরুক্কী মথক থংবা শরুক্তা মকু অমা খজিক্তং হাইগৎলগা য়েৎতুম থিনজিন্দুনা কাপ্পীগদবনি। হীদাক কাপ্লবা মতুং পুং তরুক্তগী নিপাল ফাওবগী মনুংদা মরূম কোক্লক্কনি। উকাবীগী মরূমদি ঈশিংদা তাওই। মরম অদুনা য়াম্না কূপ্পা অমদি মনুং ফাওনা উবা ঙম্বা মরূমশিং ঈশিংদা তাওদুনা লৈবা থেংনগনি। মরূম কোকপা লোইরবা মতুংদদি ঙা মপীশিং অদু লৌথোকপীগদবনি। হায়রিবা মরূমশিং অসি পুং তরাতরুকমুক্কী মনুংদা মচা ওল্লক্লগনি। মচা ওল্লক্লবা মতুং নুমিৎ হুমনিদি মচিঞ্জাক চাখিরোই । নুমিৎ হুমনি শুরবা মতুংদগীদি মচিঞ্জাক চাবা হৌরক্লগনি। মরম অদুনা ফজনা শেন্লবা পুখ্রিদা থাদবীগদবনি নৎত্রবদি মচিঞ্জাক ফংদদুনা শিখিগনি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদা উকাবী অসি পুখ্রদা য়োক্লবসু লৈপল কারগা চৎথোকখিগনি হায়না চিংনবদগী উকাবী য়োকপগী ৱাখল অসি ঙা য়োকপীরিবা মীওইশিংনা কয়া খন্নদে। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙা অসি ময়াম্না য়োক্লরিবা কার্পশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগল, শিলভর কার্প, নাপী চাবী অমদি পুকলাওবীনচিংবা ঙাশিংগা পূন্না য়োকমীন্নবা য়াবা ঙা মখলনি।

উকাবী অসি মতোমতা য়োকপদা য়াম্না চান্নবা ঙা মখল অমনি নৎত্রগা অতোপ্পা নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙা মখলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাক্রা অমদি ঙাচিক্লা য়োকমিন্নবসু য়াই। হায়রিবা ঙা মখলশিং অসি য়োকমিন্নবা তারবদি পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা ঙা মচা লিশীং হুম্ফুতরামঙা থাদবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মথক্তা পনখ্রিবা কার্পশিং হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং অসি য়োকপা য়াদবা ঈশিংদসু য়োকপা য়াই। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসি য়োক্তদৌরিবা পুখ্রি অদু ঈশিং খরা ফত্তবা ওইরবসু অমদি ঈশিং য়ামদ্রবসু হায়বদি পুখ্রি অদু খরা থেল্লবসু থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। ৱা নৎত্রগা ঈলনা খাজিন্দুনা শেম্বা উপুদা হাপ্তুনা পাৎ, তুরেল নৎত্রগা খোংবান্দা থাদদুনা য়োকপসু য়াই। উকাবী অসি মরুওইনা তীলনা খরা হেন্না পাম্না চাবনিনা উকাবী য়োক্কদবা পুখ্রি অদুগী মথক্তা মৈ থানবীদুনা নুমিদাংদা মৈগী অকোয়বদা পাইশিল্লকপা তীল অদু চাহল্লগা য়োকপীবসু য়াম্না কান্নগনি। অসুম্না ময়াম্নসু য়াম্না পাম্না চানবা, মমলসু তাঙবা, য়োকপদসু ৱাদবা, মচা পুথোকপসু য়াম্না লায়বা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা হোৎনমিন্নরসি। |◂◂

# চারা শেম্নবগীদমক প্রো ত্রে নৎত্রগা প্লুগ ত্রে শীজিন্নবগী কান্নবা

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

অফবা মখলগী মহৈ-মরোং, মনা-মশিং পুথোক্লুবগীদমক অমদি পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অদুগী অহেনবা চাথোক ফংনবগীদমক অফবা চারা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। অফবা চারা পুথোক্লুবগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলোনশিংগী মনুংদা প্রো ত্রে নৎত্রগা প্লুগ ত্রে শীজিন্নদুনা চারা পুথোকপা অসিসু অমনি। প্রো ত্রে/প্লুগ ত্রে হায়বা অসি পোলি প্রোপাইলিননা শাবা চারা হুন্নবা কুথবা মখুল মচা-মচা য়াওবা পোৎশক অমনি। অয়াম্বা মতমদা মসি সেন্টিমিটর ২৭ (ইঞ্চি ১১) রোম পাকই, সেন্টিমিটর ৫৪ (ইঞ্চি ২২) রোম শাংবা অদুগা সেন্টিমিটর ৪ লুবা, সেন্টিমিটর ৩.৫ রোম পাকপা কোম মচা য়াওই। অসিগুম্বা প্রো ত্রে অমদা পরেং ১৪গী পরেং অমদা পান্বী ৭/৭ থাবনা পূন্না পান্বী ৯৮ থাবা য়াই। অসিগুম্বা ত্রে অমনা কয়ারক হন্না শীজিন্নবা য়াবগে হায়বসিদি শীজিন্নরিবা মীওই অদুগী মখা পোল্লি।

হৌজিক্কী মতমদা হায়ব্রিদকুম্না অতাঙবা মরূ মখলশিংগীদমক্তি প্রো ত্রে অসি শুংশোয় শোয়দনা চারা হুন্নবগীদমক শীজিন্নবীগদবনি।

প্রো ত্রে শীজিন্নবগী কানবা :- ১) চারা হুনবদা শীজিন্নরিবা মরূ খুদিংমক মশা-মশাগী মনীং মখা তম্না হৌনবা মফম ফংই।

২) চারা হুনবদা শীজিন্নরিবা মরূ অয়াম্বা অশোয়-অঙাম য়াওদনা হৌবগা লোয়ননা মশা ফবা চারা ওইদুনা অহেনবা মরূ চংগদবদগী কনবা ঙমই।

৩) প্রো ত্রেদগী পুথোরকপা চারা অয়াম্বা লায়না তীলনা চেন্দবা ওইগল্লি।

৪) প্রো ত্রেদা হুনবা চারাশিং থুনা হৌগনবগা লোয়ননা মরূ-মরাসু ফৈ।

৫) মসিদা হুনবা চারানা চাং মান্ননা হৌবগা লোয়ননা মশা-মউ ফৈ অমদি ঙন্না লীংথোকপা য়াই।

৬) চারাশিং অদু মফম অমদগী অমদা পুথোক-পুশিন তৌবদা হেন্না লায় অমদি শেঞ্জং হন্থহল্লি।

৬) চারাশিং অদু লৌফমদা লীংথোক্লুবা মতুংদা শিবগী চাং য়াম্না নেমই।

প্রো ত্রেদা হাপকদবা পোৎলমশিং : ত্রে অসিগী চারা হুন্নবা কুথবা মফমশিং অসি কোকোপিএল হায়রগা খঙনবা য়ুবী মকুদগী তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং শেমখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা মকুম-মকাইশিংদগী শেম্বা পোৎলম হাপনৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি কোকোপিএলদা হৌরিবা পান্বীশিং অদু কোকফাই মখলশিংনা শোকহনবা ঙমদে। করিগুম্বা কোকোপিএল ফংবগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি ভর্মি কম্পোষ্ট ওইনসু শীজিন্নবীবা য়াই।

চারা হুনগদবা পাত্রদা হাপকদবা কোকোপিএল অদু মকক-মকক ওইনা লাকপা ওইরবদি মকুপ তানা থুগাইবিরবা মতুংদা অহিং অমা (পুং ২৪) চূপ্পা ঈশিংদা তিংবীগনি। মসিদগী লৌখৎলবা মতুংদা উরুম অমদা মচুম খকহনবীগনি। কোকোপিএল অদু খূৎতা পায়শিনবদা চোৎপদি ফাওবা অদুগা মচুমদি তাদবগী চাং ফাওবা কংহল্লবা মতুংদা চারা হুন্নবগীদমক শীজিন্নবীবা য়ারে। অসুম্না চারা হুন্নবা পোৎলমশিং শেন্বীবা মতমদা ভর্মিকুলাইট অমসুং পর্লাইট কৌবা পোৎলমশিংসু শীজিন্নবীগনি।

চারা হুন্নবগী ত্রেদা হাপ্নবা পোৎলম শেম শাবীবা মতমদা কোকোপিএলনা শরুক ৩, ভর্মিকুলাইটনা শরুক ৪ অমদি পর্লাইটনা শরুক ৪ ওইহনবীগনি। মসি নৎত্রগা কোকোপিএলনা শরুক ২, ভর্মি কম্পোষ্টনা শরুক ২ অদুগা ভর্মিকুলাইট অমদি পর্লাইটনা শরুক ১/১ ওইরগসু শেম্বা য়াই। মথক্তা পঞ্জরিবা অনী অসি নৎত্রবসু ভর্মি কম্পোষ্ট অমদি লৈঙোই ফোলি অনীনা চাং মান্ননবা য়ান্নরগা শীজিন্নবীবসু য়াই।

চারা হুনবীবা : ত্রেদা হাপ্নবগীদমক শেন্লবা পোৎলমশিং অদু ত্রেদা হাপ্লবা মতুংদা চারা হুন্নবগী মখুলশিং অদু খূৎনাওবী মতোলনা অপিকপা মখুল ১/১ শেন্লবা মতুংদা হুনগদৌরিবা মরূ অদু অমমমতা ওইনা মখুলশিংদুদা থাদবীগনি। অসুম্না মরূ হুনবীরবা ত্রেশিং অদু ঈশিং মরোল অমা চাইবীরবা মতুংদা ত্রে ১০/১০ লোনখৎনবীগনি অমদি ঈশিং ঈনিল মাঙখিদনবা পোলিথিন শীট অমনা য়োমশিন্দুনা নুমিৎ ৪-৬ ফাওবা থন্বীগনি। পান্বী মখল খেন্নবগী মতুংইন্না পান্বীনা মতোল চোংবগী নুমিৎ খেন্নবনা মরম ওইদুনা পোলিথিননা য়োম্বগী মতম খেন্নরিবনি। অসুম্না হুল্লিবা চারাশিং অসি ঈনিলগী চাং য়েংবীরগা নুমিৎ ৩/৪নি খুদিংগী ঈশিং চাইবীগনি। প্রো ত্রেদা হুল্লিবা চারাশিং অসি নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবদা লীংথোকপীবা য়াই। প্রো ত্রেদা হুনবা চারাশিং অসি লীংথোকপীবা মতমদা মরাদা অশোক-অপন য়াম্না পীদবনা মরম ওইদুনা খূৎলোনবগী তোঙানবা মতম লৌদে অমদি লৌফমগী কাঙখুলদা শিগনদে।

ত্রেদা হুল্লিবা মরূশিং অদুনা মতোল চোংবা হৌরকপগা লোনখৎনদুনা থল্লিবা ত্রেশিং অদু অমমমতা ওইনা শন্দোক্তুনা থন্বীগনি। হুল্লিবা চারাশিং অদু শাহৌ খরা ফনবা অমদি থুনা লিংথোকপীবা য়ানবা ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা এন পি কে পূন্না য়াওবা হার মখলশিং ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ৩গী চাংদা য়ানবীরগা হুনখিবদগী নুমিৎ ১২ অমসুং নুমিৎ ২১নি শুবদা অনীরক্তং কাপথোকপীগনি।

তোঙান-তোঙানবা পান্বী মখলগী মতুংইন্না লীংথোকপা য়ারবা চারাদা ওইগদবা মওংশিং -

ক) খামেন অশিনবা - চয়োল ৩-৪শুবদা, মনা ৪-৬ শুগনি অমদি সেন্টিমিটর ১২-১৫ ফাওবা ৱাংগনি।

(খ) খামেন বারমাসিকা - চয়োল ৩-৪শুবদা মনা ৬-৮ শুগনি অমদি সেন্টিমিটর ১২-১৫ ফাওবা ৱাংগনি।

গ) মোরোক - চয়োল ৬-৭ শুবদা সেন্টিমিটর ১৫-২০ ফাওবা ৱাংগনি।

ঘ) কোবি ফুল/কোবি - চয়োল ৩-৫ শুবদা লৈ।

ঙ) ব্রোকোলি - চয়োল ৪-৬ শুবদা লৈ।

চ) তিলহৌ - চয়োল ৬-৮ শুবদা সেন্টিমিটর ২০-২৫ ফাওবা ৱাংগনি।

অসুম্না মতমগী অওনবগা লোয়ননা চারা শেম্বগী মওংদসু অওনবা পুরক্তুনা মতমগা চানবা লৌমী অমা ওইমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।